
# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ অয়াংলৈ

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

**মীয়াম্না** থোইদোক্লা শকখঙনবিদ্রবা অদুবু হীদাক্কী ওইবা মগুণশিংদি থোইদোক-হেন্দোক্লা লৈবা পাম্বীশিংগী মনুংদা অয়াংলৈ হায়রিবা পাম্বী অসিসু অমনি। অয়াংলৈ হায়রিবা পাম্বী অসি অপীকপা মরী চৎপা অদুবু চহী ২দগী হেন্না পুন্সিবা লৈবাক মনুংদা রাইজোম নৎত্রগা রুট হায়বদি মউ চাউনা তাবা পাম্বীনি। অয়াংলৈ পাম্বী অসি তোঙান তোঙানবা ত্রাইবেলশিংগী মরোলদা খাবুকা (Khabukka), থুন নেৱে (Thun newe), থায়া নুয়া (Thaya Nuya), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *ষ্টিফিনিয়া গ্লাব্রা (Stephania glabra (Roxb.) Miers* নৎত্রগা *ষ্টিফিনিয়া রোতুন্দা (Stephania rotunda Hook. f. & Thoms)* নৎত্রগা *সিসমপেলোস গ্লাব্রা (Cissampelos glabra Roxb.)* হায়না কৌই অমসুং মেনিসপর্মেসী (Menispermaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। পাম্বী অসিগী Species গ্লাব্রা হায়বসিগী অর্থদি অরংবা হায়বনি মরমদি পাম্বী অসি হেক য়েংবদা লংনা উগনি।

অয়াংলৈ পাম্বী অসি এসিয়াগী নোংপোক থংবা লমদমশিং মরুওইনা ভারত, চাইনা, নেপাল, ম্যান্মার, বংলাদেশ অমসুং থাইলেন্দা হৌরকফম ওইবা অমসুং মরাং কায়না হৌবগী পাউদমশিং লৈ। অদুবু পাম্বী অসি হীদাক ওইনা শীজিন্নবগীদমক্তা য়াম্না চাং ৱাংনা হেক্তোকপা অমসুং ফুক্তৎখিবদগী ঙসিদি ফংবগী চাং য়াম্না হন্থরক্লে হায়না পাউদমলি। অয়াংলৈ পাম্বী অসি অৱাং নোংপোক্কী অয়াম্বা মফমশিং মরুওইনা মণিপুরদা অদুমক হৌবা থেংনৈ। পাম্বী অসি বংলাদেশকী অয়াম্বা মফমশিং মরুওইনা সিলহেট (Sylhet) অমসুং চিতাগোং (Chittagong) গী চীংগী লমদমশিংদা থোইদোক-হেন্দোক্লা হৌবগী পাউদমশিং লৈ।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না অয়াংলৈ পাম্বীগী মরূদা আলকালোইদশিং অমদি অতোপ্পা কম্পাউন্দশিং চাং য়াম্না য়াওই। পাম্বী অসিগী মরূদা য়ামদ্রবদা আলকালোইদ (Alkaloid) ৩০গী মথক্তা য়াওই হায়না পাউদম্বগী মনুংদা মরু ওইবা আলকালোইদশিংদি Bisbenzylisoquinolines, Hasubanaclams, Berberines, Aporphines অসিনি। হায়রিবশিং অসিগী মথক্তা য়াওবা অতোপ্পা কেমিকেল কম্পাউন্দশিংদি - Stepharine, Stepharotine, Stepholidine, Tetrahydro-palmatine, Alkaloids A,B,C, & D, Hyndarine, Cycleanine, Tuduranine, Dehydrocorydalmine Chloride, Corydalmine, Pronuciferine অসিনচিংবশিং পাউদমলি।




অয়াংলৈ পাম্বীগী মউ নৎত্রগা মরূ অসি থোইদোক-হেন্দোক্লা অখাবা ওই। য়াম্না কুইরবা মতমদগী অয়াংলৈ পাম্বীগী মরূ অসি মখল-মখা কয়াগী হীদাক লাংথকশিং ওইনা শীজিন্নদুনা লাক্লি। তঞ্চনগ্যাস (Tanchangyas) কাঙলুপকী মীওইশিংনা অয়াংলৈ পাম্বীগী মরূ অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা থজিন শৌগৎপা অমদি পুক নাবগী লায়না অসি য়াম্না কুইরবা মতমদগী হীদাক ওইনা শীজিন্নরকপগী পাউদম লৈ। পাম্বী অসি শীজিন্নদুনা লায়েংবা মরুওইবা লায়নাশিংদি হরা-কংখু তৌবা (Asthma), ঘক্ষ্যনা হায়বদি টিউবরকিউলোসিস (Tuberculosis), খোং হামথবা, অপোম অতং, লাইহৌ তৌবা, থিবোং থিরিলগী লায়নাশিং, নুমিদাংদা তূম্বা য়াদবা (Sleep disturbances), হাইপরগ্লাইসেমিয়া (Hyperglycemia) হায়বদি মীওইবগী ঈদা গ্লুকোজগী চাং কা হেন্না য়াওবা অসিনচিংবশিং অসি এসিয়াগী লৈবাক কয়ামরুমদা শীজিন্নরক্লি। ইথনোমেদিসিন ওইনা শীজিন্নরক্লিবা অয়াংলৈ পাম্বী অসি বিজ্ঞান্না থিজিনবদসু অয়াম্বনা চুন্নে হায়নসু সাইন্টিষ্ট কয়ামরুম্না সাইন্সকী চেফোংশিংদা লেপ্তুনা ফোঙদোরক্লি।



Sleep disturbances

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি কনাগুম্বা মীওই অমা খোঙ-খূৎ লৈথেক্তুনা শীংলি থুপ্পা অমদি কা হেন্না নারবদি অয়াংলৈ পাম্বী অসি ঈশিং খরগা ফুৎলগা মহী অদু লংথোকখ্রবা মতুংদা পাম্বী অদু অপাবা লশীংগী ফি অমনা বেন্দেজ ওইনা অনাবা মফম অদুদা থোল্লগা য়েৎশিন্দুনা নুমিৎ ৪-৫ রোম নোংমা-নোংমগী শিন্দুনা অনা-লায়েং অসি চৎথদুনা লাক্লি। পাম্বী অদু ঈশিংদা ফুৎপগী মহুত্তা লাদা ফজনা য়োমশিল্লগা অচাকপা মৈতালদা লৌরগা বেন্দেজ ওইনা শীজিন্নবসু য়াই। অয়াংলৈ পাম্বী অদুগী মথক্তা লৈপুং খাং মহৈ খরা হাপচিনখ্রবদি অমুক্কা হেন্না ফৈ হায়নসু পাউদমলি। বিজ্ঞান্না থিজিনবদগী ফংলকপা পাউদমশিংগী মতুংইন্না অয়াংলৈ পাম্বীগী মরূ অসিদা দাইবেটিস, অরুম-লাইহৌ তৌবা, অশোক-অপনগী চৈনা অমসুং পূক্লিং-লৈতাদবা অসিদা থোইদোক-হেন্দোক্লা লায়েংবগী মগুণশিং য়াওই হায়না বীজ্ঞানগী চেফোংশিংদা ফোঙলি। অয়াংলৈ পাম্বীগী মরূদা মখল-মখা কয়াগী উনশাগী লায়নাশিং ঙাকথোকপা ঙম্বগী মগুণশিংসু য়াওরি। পাম্বী অসি হাইপর্টেন্সন দসু অফবা ফল পীবা ঙম্লি। অয়াংলৈ পাম্বী অসি মীওইবগী মখল মখা কয়াগী অনা লায়েংগী হীদাক লাংথকশিং পুথোকপদা থোইদোক-হেন্দোক্লা অচৌবা থৌদাং অমদি শীজিন্নরক্কনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা ফোঙদোরক্লি।

# মণিপুরদা মীকোক থিবা

উশম ধনঞ্জয় সিংহ

**মণিপুরদা** ইহান হান্না মীকোক থিবগী থবক অসি কুমজা ১৮৮১ দনি। মীকোক থিবা অসিদা মণিপুরগী অপূনবা মীশিং অসি ২,২১,০৭০ নি। কুমজা ১৮৮১ গী মীকোক থিবদা ধর্ম্মগী মতুংইন্না মীশিং অসি অসুম্না ওইরম্মী:

| | |
|---|---|
| হিন্দু চৎপা | ১,৩০,৮৯২ |
| মোহম্মদন্স | ৪৮৮১ |
| খৃষ্টান | ৭ |
| বুধিষ্ট | ২ |
| চীংমীশিং | ৮৫,২৮৮ |
| অপূনবা | ২,২১,০৭০ |

লোনগী মতুংইন্নদি অসুম্না খাইদোকই:

| | |
|---|---|
| বঙ্গালী | ১৫ |
| শেকমাই | ৭,১৫১ |
| কুকি | ২৫,৩৮৪ |
| মণিপুরী | ১,২৮,৫২৬ |
| নাগা | ৫৯,৯০৪ |
| হিন্দুষ্টানি | ৮০ |
| অপূনবা | ২,২১,০৭০ |

মপানগী মীওইশিং:

| | |
|---|---|
| বঙ্গালি | ১৫ |
| ইংলিস | ৭ |
| হিন্দুষ্টানি | ৮৩ |
| | ১০৫ |

| | | |
|---|---|---|
| মণিপুরী : | মৈতৈ | ১,১৭,১০৩ |
| | লোই / কৈ / ময়াং / পাঙ্গন | ১৮,৫৭৪ |
| | | ১,৩৫,৭৮২ |
| | কুকি | ২৫,৩৮৪ |
| | নাগা | ৫৯,৯০৪ |
| | | ৮৫,২৮৮ |
| | অপূনবা | ২,২১,০৭০ |

মৈতৈশিংনা ষ্টেট অসিগী অপূনবা মীশিংগী তঙ্খাইদগী হেল্লি।

কুমজা ১৮৮১গী মীকোক থিবদা লৈরিবা নাগাশিং অসি :

| | |
|---|---|
| লুহুপ্পা | ২৮,৫৫২ |
| তাঙ্খুল | ৪,৪০০ |
| কোনয়া | ১৭,৯৯২ |
| কবুই | ৮৪৭৬ |
| মরিং | ৪৮৪ |
| অপূনবা | ৫৯,৯০৪ |

(য়াওফম : গেজেটিয়ার ওফ মণিপুর অইবা কেপ্তেন ঈ দল্লিয়ু দুন)

[দুননা ইরম্বদা লুহুপ্পা অমসুং তাঙ্খুল হায়দুনা তোঙান তোঙান ইরম্বসি হৌজিক্তি তাঙ্খুল হায়রগা খঙনরে। বোইমা হায়রিবসিনা থাঙ্গালনচিংবনি।]

কুমজা ১৮৮১গী মীকোক থিবদা খোংজাই অসিগী অপূনবা মীশিং ১৭,২০৪, মখোয় অসি ন্যু কুকি হায়রগা খঙনৈ অমসুং ওল্ড কুকিগী মশীংনা ৮৮১০নি।

[মথক্কী য়াওফম লমাই ৩২/৬৬]

কুমজা ১৮৯১ দা মীকোক থিনবা থৌরাং তৌখি, চে চাং কয়াসু মীকোক থিরদুনা থমখি অদুবু মদুগী হেক মতুংদা ঈরাং থোরকপদুনা চে চাং লোইনা মাঙখিদুনা অপূনবা মীশিং অদু খঙনবা পাম্বে লৈখিদে।

কুমজা ১৯০১দা অহুমশুবা মীকোক থিবগী থবক পাঙথোকখি। মসিদা মণিপুরগী অপূনবা মীশিং অসি ২,৮৪,৪৬৫নি। কুমজা ১৮৮১দগী কুমজা ১৯০১দা হেনগৎলকপা মীগী মশীং অসি চাদা ২৮.৬১নি। মতমদুদা মপান্দগী মীতোপ চঙশিল্লকপগী পাউ য়াওদে। মসিদা মীশিং হেনগৎলকপগী মরুওইবা মরম অমদি মীকোক থিবা অদু পোলিটিকেল এজেন্টকী মখাদা চুম্না পাঙথোকখিবনা ওইবা য়াই, হান্নগী অদুদি দরবারনা তৌবনি। (য়াওফম : গেজেটিয়ার ওফ নাগা হিল্স এন্দ মণিপুর, অইবা : বি সী এনেন, লমাই ৪৫/৪৫)

মণিপুরগী পাক চাওবা অসি বর্গ মাইল ৮৪৫৬নি অমসুং কুমজা ১৯০১গী মীশিংনা ২,৮৪,৪৬৫নি। অদুনা বর্গ মাইল ১দা মীশিং ৩৪দং লৈবগী চাংনি। ষ্টেটকী অয়াম্বা শরুক্তি চীংনি, মীশিংসু য়ামদা চাইনা চাইনা খুন্দাবনি। বর্গ মাইন্দা মীশিং ১২না খুন্দাবগী চাংদমক ওই। মণিপুরগী টাউন অমতনি ইম্ফালনি, খুঙ্গংনা পূন্না ১৪০৯নি। মদুগী মনুংদা ৮৯৬না চীংদা লৈবনি (মহাক্কী য়াওফম লমাই ৪২/৪৩)

কুমজা ১৯১১গী মীকোক থিবদা অপূনবা মীশিং অসি ৩,৪৬,২২২নি; মসিগী মনুংদা নুপানা ১,৭০,৬৮৬ অমসুং নুপীনা ১,৭৫,৫৫৬নি। কুমজা ১৯০১দগী কুমজা ১৯১১দা হেনগৎলকখিবা অসি চাদা ২১.৭ ওইখি।

কুমজা ১৯২১গী মীকোক থিবদা অপূনবা মীশিং অসি ৩,৭৪,০১৬নি। নুপানা ১,৮৮,১১৯ নুপীনা ১,৯৫,৮৯৭নি। কুমজা ১৯১১দগী কুমজা ১৯২১দা হেনগৎলকখিবা মীশিংগী চাদা ১০.৯২ ওইখি। মীশিং হেনগৎপগী চাং নেমথরক্লিবা অসি কুমজা ১৯২১ গী রিপোর্টতা চীংগী লমশিংদা ইনফ্লুয়েঞ্জাগী লায়না নানবা অমসুং কুমজা ১৯১৭-২১ গী কুকি লালহৌননি হায়না পল্লি। কুমজা ১৯১১-১৯২১গী মরকসিদা চীংদা মীশিং হেনগৎপগী চাং অসি চাদা অমখক্তনি, মণিপুরগী তম্পাক লমদনা হেনগৎলকখিবা অসি চাদা ১৬.৫নি।

ষ্টেট অসিগী অপূনবা মীশিং অসি কুমজা ১৯৩১দা ৪,৩৫,৬০৬ ওইখি। নুপানা ২,১৫,৮১৫ অদুগা নুপীনা ২,২৯,৭৯১ ওইখি। কুমজা ১৯৩১গী মীকোক থিবদদি চীংগী লমদা হেনগৎলকপা অসি চাদা ২১.৩নি। অদুগা তম্পাক্তনা শুপ্নগী চাদা ১৩.৫ খক্তনি হায়। চীংদা মীশিং য়ামখৎলকপা অসি মফমদুগী মীওইশিংদু হকচাং ফনা লৈবা অমসুং কুকি লালহৌ মতুংদা তং তাবা ফীভম হঞ্জিল্লকপা অদুননি হায়। (এম ভট্টাচার্জগী মণিপুর, লমাই ১০২)

কুমজা ১৯৪১দা মণিপুরগী অপূনবা মীশিং অসি ৫০২০৬৯নি, নুপানা ২,৪৯,১৮৩, নুপীনা ২,৬২,৮০৬নি। কুমজা ১৯৩১-১৯৪১দা হেনগৎলকপা মীশিংগী চাং অসি চাদা ১৪.৯২নি।

সেন্সস ১৯৫১ মণিপুর- ষ্টেট সেন্সস হেন্দবুক ভোল্যুম ১, লমাই (v) দা অসুম্না ইরি: কুমজা ১৯৫১দা মণিপুরগী অপূনবা মীশিং ৫,৬৭,৬৩৫নি। কুমজা ১৯৪১দদি ৫০২০৬৯ ওইখিবনি, হেনগৎলক্লিবা অসি ৬৫,৫৬৬নি। মমাঙগী চহী ১০ হায়বদি কুমজা ১৯৩১-৪১ দনা ৬৬,৪৬৩নি; হেনগৎলকপা অসি পংখেন খেন্নদে। হৌখিবা চহী ৩০দা হেনগৎলকপা মীশিং অসি চাদা ১২.৮ দনি। কুমজা ১৯৫১দা বর্গ মাইল ১দা মীওই ৬৭ লৈবগী চাংনি, হৌখিবা চহী ১৯৩১-৪১গা য়েংনবদা ৮ হেন্না হেনগৎলি। ষ্টেট অসি হৌজিক তম্পাক্তা সবদিভিজন অহুম অমসুং চীংদা সবদিভিজন ৫ খায়দোক্লে। অয়াম্বা মীশিংনা তম্পাক্তা লৈ; সদর সবদিভিজন্দদি মীশিং অসি ২,৭০,৯৭২ য়ৌই। জিরিবামনা মীওই ৭,৫৪১ খক লৈদুনা খ্বাইদগী য়ামদবা ওই। মথংদা থৌবালদা ১,২৩,৭৫৪ লৈ।

চহী ৫০দা লৈবা মীশিং অদু মখাগী অসুম্না ইরি;

মণিপুর ষ্টেট :


| | | |
|---|---|---|
| ১৯০১ | ২,৮৪,৪৬৫ | |
| ১৯১১ | ৩৪৬২২২ | + ৬১,৭৫৭ |
| ১৯২১ | ৩,৭৪,০১৬ | + ২৭,৭৯৪ |
| ১৯৩১ | ৪,৩৫,৬০৬ | + ৬১,৫৯০ |
| ১৯৪১ | ৫০২০৬৯ | + ৬৬,৪৬৩ |
| ১৯৫১ | ৫,৬৭,৬৩৫ | + ৬৫,৫৬৬ |

কুমজা ১৯০১দগী ১৯৫১ দা হেনগৎপা মীশিংনা ২,৮৩,১৭০নি।

এম ভাট্টচার্জনা মাগী 'মণিপুর' দা ইরম্মী: 'কুমজা ১৯৫১গী মীকোক থিবদা মীওই ১০০৯ খক রিফ্যুজি ওইনা মণিপুরদা খুন্দাবা থেংনৈ। বৃটিশনা পানবা মতমদসু মণিপুরী নত্তবশিং অসি মণিপুরদা খুন্দাহনবদা পূক্লিং থৌগৎতে হায়বসিসু নীংশিংগদবনি। অদুবু নেপালিষণ শেনবা খরদি ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা ইম্ফালদগী মাইল ২৫ রোম চৎলগা লৈবা মফমসিদা খুন্দা লৈতানা লৈহনখি। কুমজা ১৯৩১ গী মীকোক থিবদা অসিগুম্বা নেপালি মশীং ৩০০০নি।'

-মথং-মথং

## মরোল থোকপা লাই




## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৭

১। অরিবা মীতৈলোন ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু :
(ক) য়োইশগাই (খ) উরৌরে

২। ''চেং লৈতবগী মরম পূম্নমক মঙোন্দা লোইনা তাইনবিরে।'' পরেংসি কুঞ্জমোহনগী 'ইলিশা অমগী মহাও' দগী লৌথোকপনি। মসিদা 'মঙোন্দা' হায়রিসি কনাবুনো?

৩। ''য়ু থকউ/গঞ্জা থকউ/কানি চাউ/.../মঙ মংঙু, নুংঙাইনা তূম্মু।'' কবি ইবোমচানা হায়বনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। ''অহিং/মৈত্রবাক্কী অথেংবা অহিং/অহিং নঙগী নতম্বাক্তা চুরান্থাবশিংনা মনীং তল্লি।'' মসিনা 'তায়োন্নরবা অহিং' কৌবা শৈরেং অমদগীনি। নহা ওইরিবী অইবীদু কনানো?

৫। কাশিনাথকী নোভেলবু 'বন্ধান থন্নবা রঘু' হায়না হন্দোকপদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।